ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জুলাই ১৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১০৯শুবা মশীং

# হ্যুমেন কেপিটেলগী মথৌ তারি

## অসিগুম্বশিং য়াওরক্লবদি লাইবক ফগনি

মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম লোইশিল্লক্লে। মথংগী ১২শুবা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লে। ওইরক্লিবা ফীভমসিগী হৌনবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা ইলেক্সনসিদা মীরেপ ওইগনি হায়বা অনৌবা মীওই কয়া এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অয়াম্বদা মথি ফোংলক্লে, থোরক্লে, য়ৌ-য়ৌ তৌনরক্লে। মণিপুরগী অপূনবা এসেমব্লি সিটি ৬০গী মনুংদা য়াওরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সেগমেন্ট ২০গী মনুংদগীদি অকনবা কেম্প্যেন হৌনরক্ত্রগসু তম্পাক্কী কন্সটিট্যুএন্সি খরদদি তপ্পা-তপ্পা ইলেক্সনগী টেম্পো অমা শাগৎলক্লে। হায়রিবা দিভেলপমেন্টসি শঙ-শঙ উবা ফংলক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা জিরিবাম, পাৎশোই, কৈশামথোং, য়াইস্কুল, নাউরিয়া পাখংলাকপা, লম্লাই, খাঙবোক, শিংজমৈ, সেকমাই, লমশাং, থোংজু, ক্ষেত্রিগাও, ময়াং-ইম্ফাল, ৱাংজিং তেন্থা, খুন্দ্রাকপম, মোইরাং, অন্দ্রোনচিংবা পনবা য়ারে। মসিগী মথক্তা তম্পাক্কী অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরদসু পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ইহান-হান্না থোরক্তুনা শরুক য়াগনি, মীরেপ ওইগনি, মীয়ামগী পাওখোল্লোই ওইজগে হায়বা অনৌবা মায়থোঙশিংসু মীয়ামগী মিৎমাংদা থাংদোক্লরক্লে। মীখলসিদা ভোট মশীং য়াম্না ফংবা-ফংদবা নৎত্রগা মায় পাকপা-পাক্তবা হায়বদুনা হয়েং কোন্নগী ভোট থাদনগদবা নুমিৎতুগী ৱানি।

লাক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইগদবনি হায়দুনা চোঙথোক্লরক্লিবা অনৌবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ঙসিগী মীরোলসিনা হিংলিবা পুন্সি মরেলসিগী পুঙলোন্দা মীয়ামগীদমক তান-কায়দনা জগোয় শাবা ঙমগদবা মীওইশিং য়াওরব্রা হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুমশিংগী মনুংদদি লাইরিকসু নীংথিজনা হৈবা, লাইশুসু ফজনা খঙবা অনৌবা মীওইশিংগী মথৌ তারক্লে হায়বা ৱাফমসি শোয়দনা হায়নরক্কনি। মতাংসিদনি, পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইগদৌরিবা 'হ্যুমেন কেপিটেল' গী ৱাফম লাক্লিবসি। মসি হায় হায়দুনা লাইরিক-লাইশু হৈতবা মীওইশিংদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা য়ারোই হায়বা নত্তে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী থৌবু ওইগদৌবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীরেপ ওইদুনা ভোট লেপ্পা য়ারে হায়রবা মীওই পূম্নমক মীখল থেংনবা য়াই। কাবা কাদবদুনা মশা-মশাগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু হ্যুমেন কেপিটেল অমমম ওইদবা য়ারক্তবগী তঙাইফদবা লাক্লিবসিগী মরমদি লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক, লৈবাকসিগী মীয়াম্না চৎননবগীদমক লো শেমগদৌরিবা, শেল্লবা লোবু অয়াবা পীগদৌরিবা অপ্পর-হাওস ওইরিবা রাজ্য-সভাগী মীহুৎসি এম এল এশিংনা খনগদবনি। ষ্টেট অমদা চৎনগদবা লোগী কাঙলোনশিং শেম্বগী থবকসু এসেমব্লিগী মেম্বরশিং ওইরিবা এম এল এনা তৌজগদবনি। হায়রিবা থবকশিংসিগী মথক্তা ষ্টেটসিগী সোসিও-ইকনমিক কন্দিসন ফগৎহন্নবগীদমক দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম, প্রোজেক্ট অমসুং পোলিসিশিং শেম শাদুনা পায়খৎপা-লৌখৎপগী থবক থৌদা পূম্নমকসু মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লবা এম এল এশিংনা তৌগদবনি। অদুনদি মতিক-চাবা অমসুং মপূং-ফাবা হ্যুমেন কেপিটেলশিং ওইরকপদা তঙাইফদনা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংবা মীওইশিংগী মথৌ তারকপনি। ভোট হেক কারক্লগা দেল্লীদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগা অমত্তা ওইরগা ইন্দিয়া লৈঙাকপু অতিয়া পক্লা থাগৎপা, জি-জানা পূমচাই-চাইহনবা, মান্নদবা পার্টিদা কারগনা খোঙয়াগী উফুলদৌনা হেক্তা খনবা, চৈ-থাংবা, মরাল শীজিনবা অদু নত্তে হৌজিক্কী মণিপুরনা মথৌ তারক্লিবদি। মণিপুরগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহল্লকপদদি পূম্নমকসিগী হ্যুমেন কেপিটেল ওইবদা মতিক-চাবা কোক পানবা মীহুৎ চঙই হায়বনি। থৌদোকসি ১১লক পাঙথোকখ্রবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলশিংদা অমত্তা য়াওখিদবা, থোকখিদববুদি নত্তে। অদুবু খূৎ থেক্তুনা পাবদা খূৎশা মঙা কোন্নদবা মখোয় খরখক্লদি কান্নখিদে। অহোংবা পুরকপা ঙমখিদে। ইয়াইগী কোঙ্গোলগুম্না থুনা তাকখি হায়বনি। অদুনা মণিপুর ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চল্লক্লবনি। অসুক শাংলবা মতমসিদা মণিপুরগী মশক থোকপা করিমত্তা তৌবিরক্ত্রে হায়দনা চিন্তা তৌবনা কান্নরোই। লায়রবা নুপীনা মমা শক্লা নাউকোল্লকপনি। নীংতম্বা চহী ৭৫ শুজিল্লক্লবসু হৌজিক ফাওবদা হাওজিং ফোর ওল হায়দুনা মীপূম খুদিংমক্কী লৈননবা য়ূম শাখিনি, হর ঘড় জল - য়ূমথোঙগী ঈশিং ফংহনখিনি হায়বনচিংবা পূম্নমক্কী মথক্তা 'অছে দিন' লাকখিগনি হায়রিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তায়নদুনা মখোয়গী য়াকা য়েংদুনা লৈবনা য়ারোই। ইশাগী ইখোঙনা ইরোমদোম লেপচনবগী পাম্বৈশিং পুথোরকপা ঙমগদবা হ্যুমেন কেপিটেলগী মগুন চেনবা কোকশিং মথৌ তাই হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১) *'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
২) *'পুন্সিগী মরুদ্যান'* হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
৩) *'খোঙজি মখোল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) *'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'* হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?
৫) *''হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।''* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হেন্না কনগদবা লম্বী অমসুং সহরশিং শেমগৎপা য়ারগদবা অনৌবা স্মার্ট সিমেন্ট

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


বিলাটিমাতি হায়বসি ঙসিদগী চহী ২০০০ রোমগী মমাঙদগী গ্রীস অমসুং রোমদা শীজিন্নবা হৌরক্লে। মতমদুদা শীজিন্নরম্বা বিলাতিমাতিবু *হায়ড্রোলিক সিমেন্ট* হায়রগা খঙনৈ। মসিগী মতুং তারকপদা, ইংলেন্দগী প্লিমথতা *এদিস্তন লাইতহাওস* শানবগীদমক, কুমজা ১৭৫৬তা জোন স্মিতননা *পোর্টলেন্দ সিমেন্ট* পুথোরকখি। কুমজা ১৮০০গী মতমদা ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সতা, ক্লেয় লাইমষ্টোনগী নোদ্যুলশিংবু মৈ থারগা ফংবা সিমেন্ট মখল অমা শীজিন্নবা হৌখি। সিমেন্টকী খোঙচৎ অসিনা অসুম চৎলকপসিনা, হৌজিক ফাওবদা মখল মখা কয়াগী সিমেন্টশিং শীজিন্নরক্লি। অনৌবা সিমেন্ট মখল কয়াসু লেপ্তুনা পুথোরক্লি। অসুম্না নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনসু হেন্না ফরবা, মপুন্সিসু হেন্না শাংবা সিমেন্ট মখল অমা পুথোকপা ঙল্লে হায়না *''ফিলোসোফিকেল ট্রাঞ্জেক্সন ওফ দ রোয়ল সোসাইটি এ''* (জুন ২১, ২০২১) না পাউদম্লক্লি।

মহৌশাগী শাফুনা অনৌবা পোৎশিংনা শেম-শারিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংবু মাঙ-তাকহল্লি। খুদম ওইনা, চহী খুদিংগী আইস অমসুং স্নোশিংনা চাউর-চাউরবা লম্বী কয়াবু কায়হল্লি; য়ূমশিংগী য়ূম্ফমবুসু চেকখাইহল্লি। অদুগুম্বা অকাই-অতোইশিংদুনা অমোৎ-অকাইগী তন কয়ামুক পুথোকপদা নত্তনা চহী অমদা অদুগুম্বা লম্বীশিংগী অকাই-অতোইশিংবু শেমজিন্নবগীদমক য়ু এস খক্তনা দোল্লর ২৪,০০০ চাদিং তৌই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি মায়োক্লবগীদমক, এঞ্জিনিয়রশিংনা কার্বনগী চাং হেনগৎহন্দুনা পোৎশিংদুগী মগুনশিংবু হেনগৎহনবা ঙম্বা স্মার্ট ওইরবা পোৎশিং পুথোরক্লি, অদুবু অসুম্না তৌবসিদা পোৎশিংদুগী মেকানিকেলগী ওইবা মগুন্দা হস্তরকপা খরদি অদুমক লৈ। অদুনা হৌজিক শীজিন্নরিবা বিলাতিমাতিদা নানোপার্টিকলশিং হাপচিল্লগা, নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা হেন্না ফগৎলবা, মপুন্সিসু শাংহনবা অমসুং মথৌসু নিংথিজনা পাঙথোকপা ঙম্বা বিলাতিমাতি মখল অমা পুথোক্লে হায়রি।




Ange-Therese Akono অমসুং মহাক্কী বিলাতিমাতি

বিলাতিমাতি অসি মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা পোৎশক অমা ওইবনিনা, মসিদগী থাদোরকপা গ্রীনহাওস গ্যাসশিংসি মীওইবনা থাদোকহল্লকপা অপূনবা গ্রীনহাওস গ্যাসশিংগী চাদা ৮ ওই। মরম অসিনা, সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর Ange-Therese Akono না পাম্বৈ অমা থিরকপা ওইনা, নানোমেটেরিএলশিং হাপচিল্লবা সিমেন্টসিদা মীৎয়েং থল্লকখি। মহাক্না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, নানোমেটেরিএলশিংনা সিমেন্ট কম্পোজিৎশিংগী কার্বন ফুটপ্রিন্টপু হন্থহল্লি, অদুবু হৌজিক ফাওবদা মসিনা অতেক-অকাইশিং থোকহনবগী চাংশিং হন্থবগী মতাংদদি ইখঙ খঙনরবা হায়বদি ওইদ্রি। অদুনা মখোয়না পুথোরক্লিবা অসি শিংথানিংঙাই ওই হায়রি।



(a) অচম্বা বিলাতিমাতি, (b) নানোমেতরিএলগী বিলাতিমাতিগী বেকস্কেতর্দ ইনভাইরনমেন্তল স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপি

হৌজিক শীজিন্নরিবা লম্বী-থোং অমসুং য়ূমশিংগী মনুংদা ময়ি চৎলকপনচিংবা টেষ্ট তৌবদা, মঙালগী বিম কয়ামুক অচৌ-অচৌবা পোৎশিংগী মনুংদা কাপশিনবগী মথৌ তাই; অদুনা অচৌবা খূৎলায়শিং শীজিন্নবগা লোয়ননা মতমসু য়াম্না মাঙই। Akono গী লেবনা, *''স্ক্রেটচ টেষ্টিং''* হায়না খঙনবা অনৌবা পাম্বৈ অমা শীজিন্নরগা, অতেনবা মতমগী মনুংদা পোৎশিংগী মগুনশিংদু চুম্না লেপথোকপা ঙল্লম্মী। পাম্বৈ অসিদা, শারৈ মওং মানবা পোৎ অমনা চপ য়ুংনা শাফু অমা বিলাতিমাতিগী য়াম্না কুপ্পা লৈমায়দা পীশিল্লি। মসিনা শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিংগী মশীং হন্থহনবগা লোয়ননা অনৌবা পোৎলমশিং শেমগৎহন্নবগী খুদোংচাবসু পী হায়না Akono না ফোঙদোক্লি।



নানোমেতেরিএল য়াওরবা বিলাতিমাতিবু স্মার্ত স্ক্রেতচনা চাং য়েংবা

অসিগুম্বা পাম্বৈ অসিনা মাইক্রোমিটর অমসুং নানোমিটর স্কেলশিংদা হকথেংননা শাফু পী, অদুনা মতম ইচং চংহন্দে। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা, পোৎশিংদুনা মতৌ করম্না পাউখুম পীরকপা, মখোয়না করম্না ময়ি চৎলকপা অমসুং মখোয়না ময়ি চৎলকপদুদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈসি পুথোকপা ঙমহল্লম্মী। স্ক্রেটচ টেষ্টশিংগী মতেংনা মাঙজৌননা লেপথোকপা ঙল্লক্লিবশিংসিনা এঞ্জিনিয়রশিংনা লার্জ স্কেলদা হেন্না মগুন লৈবা পোৎশিং শেমগৎলকপদসু মতেং পাংহনগনি। থিজিনখিবা অসিদা, স্মার্ট ওইবা পোৎশিং শেম্বদা পাম্না শীজিন্নরক্লিবা পোৎশক অমা ওইরিবা গ্রাফিন নানোপ্লেটলেটশিংবু অচম্বা বিলাতিমাতিনা ময়ি চৎলকপদা অথিংবা পীনবগীদমক শীজিন্নরম্মী। অচম্বা বিলাতিমাতিনা শাবা স্ত্রকচর অমদা রিএক্সন মপূং ফানা থোক্লবগীদমক ঈশিংনা স্ত্রকচর অদুগী মনুং ফাওনা চংখিবগী মথৌ তাই। অসুম্না রিএক্সন মপূং ফানা থোক্লবদি, কনবা অমসুং মপুন্সি শাংই। অদুবু অচম্বা বিলাতিমাতি শীজিন্নবা মতমদদি ঈশিংনা মনুংদা চঙখিবগী চাংসি নেম্মী, অদুনা চেৎপা ৱাৎলি। নৌনা থিজিনখিবা অসিদা, নানোমেটেরিএল অসিগা পুনশিন্নবসিনা অপীকপা মখুলশিং অমসুং স্ত্রকচরশিংগী মনুং ফাওদুনা ঈশিংনা চঙখিবদা থিংবা ঙম্বগী চাংসি মথংশিংনা চাদা ৭৬ অমসুং চাদা ৭৮দা হন্থরকই, হায়বদি ঈশিংনা স্ত্রকচরগী মনুং ফাওনা চঙখিবগী চাং য়াম্না হেল্লি।

কুমজা ২০৫০ ফাওবদা, য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পাবগী মতুংইন্না, মালেমদা লৈরিবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি সহরশিংদা হিংখিগনি হায়বসিনি। অদুনা য়ূম-কৈ শাবা, লম্বী-থোং শেম্বা য়াওনা লম কয়াদা হেন্না ফগৎহনবগী য়াম্নমক মথৌ তারি। অর্বনাইজেসনগী থবকসিদা হেন্না মায় ওনশিন্নরকপগা লোয়ননা বিলাতিমাতি শুংবগী থবকসি অতিয়া পক্লা ৱাংলকপা য়ারিবনি। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী বিলাতিমাতিশিং পুথোরকপা হায়বসিনা অপূনবা কার্বন ফুটপ্রিন্টকী চাংসু হন্থহনবা ঙমগনি।

অতোপ্পা অমরোমদনা, স্মার্ট ওইবা পোৎশিংসিনা সহরশিংদা হেনগৎলক্লিবা মীশিংনা পাউ ফাওনবা, উনবা, এনর্জি অমসুং অতোপ্পা থবকশিংগী দরকার ওইবশিংদু ফংহনবা ঙমগনি। Akono না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মহাক্কী লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংসিনা অতোপ্পশিংদসু ইথিল পীবা ঙল্লগনি। মহাক্না হান্নদগী হৌনা পাঙথোক্লে খনখিবশিংগী মনুংদা, মখা তানা থিজিন্দুনা য়ূম-কৈ, লম্বী-থোংনচিংবশিং য়ারক্তবদগী থুগাইবদা ফংলকপা অমোৎ-অকাই ওইরবা পোৎশিংবু শীজিন্নদুনা অনৌবা কংক্রিট শেম্বা হায়বসিনি। Akono না থিজিনখিবা অসিগী মতাংদা রোয়ল সোসাইটিগী ওক্টোবরগী মীফমদা থিজিন-চেরোল অমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি। ●

# টৌকিও ওলিম্পিকতা এথলেটিক্স

- লৈশাংথেম অজিৎ -

জপান্না ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকচগে হায়দুনা মতম শাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। মখোয়না কুমজা ১৯৪০দা মসিগীদমক থৌরাং তৌরম্মী অদুগা চহী অসিমক্তদা জপানগী নিংথৌরেলগী শাগৈ অদুনা লৈবাক অদুদা লৈঙাকপগী চহী ২৬০০ শুবগী হরাও কুম্মৈসু পাঙথোক্কদবা চহীসু ওইখি। অদুবু অনীশুবা লাঞ্জাওনা গেমস অদু পাঙথোকখিদে।

মরম অদুনা কুমজা ১৯৬৪দা লৈবাক অসিগী সহর টৌকিওদা ওলিম্পিক অসি পাঙথোকখিবদা অঙকপা ফংনা মীয়ামদা জপান্না গেমস অসিদা নিংথিজনা মতিক মগুন লৈবা লৈবাক অমনি হায়না মালেম অসিদা উৎপা ঙমখি। খুদম ওইনা ওলিম্পিক্কী হিয়াং তান্নফম অদু মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা থাঙ্গপাৎ অমা ওইখি। মসিদা তিনখিবা ভাবোকশিং অদু য়ামনখিবনা অশিন-অরাংশিং অদুগী ৱাথোকশিং ওইখি।

মতাং অসিদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমেরিকা মচা এডরি ব্রন্দেজবু অমুক হন্না খনখি। তৌইগুম্বসুং ওলিম্পিক্তা পোলিটিক্স চঙবগী চৎনবী অদুদি অদুমক চত্থরম্মী। খুদম ওইনা খা অফ্রিকাবু কাঙলূপ-ফুরুপ খায়বা লৈবাক ওইবনা গেমস অসিদা শরুক য়াবা য়াহনখিদে। মরমদি লৈবাক অসিগী মৈহৌরোলগী মীওইশিংদি অমুবা ফুরুপনি, অদুগা লৈবাক ঙাক্লিবা কুচু ঙৌবশিংনা মখোয়বু হন্থনা থম্মী। মখোয়গা শোক্লবা য়াদে, মখোয়গী তোঙান্না মহৈ মশীন তম্ফম থম্মী। মখোয়না অঙৌবশিংগী হোটেলদা চঙবা য়াদে, সিনেমা য়েংবদা অমদি ত্রেন, বস তোংবদা মনীংদা অহুমশুবা ক্লাসতা তোংহনখি।

অসিগুম্বা Apartheid হায়না খঙনবা অমাংবা, হন্থবা, শোক্লবা য়াদবা, লমদম অদুগী মীওইশিংবু মীনাই ওইনা থম্বগী লৈঙাক অমা ওইবনা লৈবাক অসিবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা নিন্দা তৌই, শাওনীংই অমদি ওলিম্পিক্কী চৎনবীদি অসিগুম্বা লিচৎ অসি লৈতবনা লৈবাক অসিবু ওলিম্পিক্তা শরুক য়াহন্দে। লৈবাক অসিখক্তা নত্তনা ইন্দোনেসিয়া অমসুং অৱাং কোরিয়াসু পোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা গেমস অদুদা শরুক য়াহনখিদে।

গেমস অসি এসিয়াদা অহানবা ওইবা মরম্না জপান্না মখোয়বু করম্বা লৈবাক অমনো হায়বা মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহন্নবা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরম্মী। অদুবু গেমস অসি হৌদোকপগী নুমিত্তা ফেসিনোরি সাকায় হায়না কৌবা লমজেল্লোয় অমনা ওলিম্পিক্কী ষ্টেদিয়মদা লৈরিবা মৈ কম্বী অদুদা মৈরা চুখৎখিবা অদুনা গেমস অসিগী ঈ-পাউ অসি মালেম পূম্বদা য়াম্না পাম্নবা হীরম অমা ওইখি। মরমদি 'ফেসিনোরি সাকায়' অসি হিরোসিমা সহরদা কুমজা ১৯৪৫দা এটোম বোম থাদখিবগী পুং অমগী মমাঙদা পোকখিবনি। মহাক মিটর ৪০০গী লমজেল্লোয়নি।

গেমস অসিদা অফ্রিকাগী লৈবাক ১৭না শরুক য়াখি। মসিনা তাকপদি অফ্রিকাগী লৈবাকশিং অসি চাওখৎলক্লে হায়না তাকপনি। মখোয় অসি অয়াম্বনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী লোয়লম ওইরম্বনি, মতম অসিদসু লোয়লমশিং ওইরি।

হৌখিবা রোম ওলিম্পিক্তা মিটর ৮০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা ন্যুজিলেন্দগী পেতর স্নেল অমুক হন্না শরুক য়াখি। মহাক গেমস অসিদা মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১৫০০গী লমজেলদা শরুক য়ারম্মী। মহাক্তি মাইল অমগী লমজেলদা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা নুপানি। অদুনা মহাক মিটর ১৫০০গী লমজেলদা মকোক ওইগনি হায়না মীয়াম্না আশা তৌরম্মী। অদুবু ন্যুজিলেন্দগী পাউমীশিংনা খল্লুবদি মহাক মিটর ৮০০ খক্তদা মায় পাক্কনি হায়বা অসিনি। মতাং অসিদা পেটর স্নেলনা লন্দনগী 'ইভনিং ন্যুজ' গী পাউমী অদুদা অসুম্না হায়খি ''নুপা অনীখক্তং ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা মিটর ৮০০গী লমজেন্দা থংনা থংননা ওলিম্পিক অনীদা মকোক ওইবা ঙমখি। মদুদা ঐনা অহুমশুবা লমজেল্লোয় ওইদুনা অমুক্কা হন্না লমশাং অসিদা মকোক ওইগনি।''

অদুনা স্নেলনা লমজেল অনীমক্তা মকোক ওইবা পামখি। মহাক্না মিটর ৮০০গী হিট অনীরক পাঙথোকপদা মকোক ওইখি। অদুবু মহাক্না ফাইনেলদা মকোক ওইনবগীদমক কেনিয়াগী মমিং লৈরবা ৱিলসন কিপ্রুগুট (Wilson Kiprugut) পু মায়থীবা পীবা তাবনি। কেনিয়া মচা অদুনা অহানবা রাউন্দ অদু সেকেন্দ ৫২দা মকোক্তা চেল্লম্মী অদুবু অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্না মকোক থংনা চেল্লবসু ন্যুজিলেন্দগী পেটর স্নেলনা মহাকপু লমথুংফম য়ৌরমদাইগী লমশাং মতেক অদুদা হেনগৎতুনা মকোক ওইখি। মহাক্কী রেকোর্দতি মিনট ১ সেকেন্দ ৪৫.১নি। কনাদা মচা বিল ক্রোদরসনা অনীশুবা অদুগা কিপ্রুগুটনা অহুমশুবা তাখি।

মহাক্কী লমজেলগী মতিক মগুন অদু উরুবদগী মথংগী লমজেল মিটর ১৫০০গী অথোই অহেন তান্নবদা মহাকপু মায়থীবা পীবা ঙমলোই খনখি। অদুনা মখোয়না সিলভর মেদলগীদমক লমজেল অদুদা শরুক য়াখি হায়বা য়াই। পেটর স্নেল ওলিম্পিক অনীদা লমজেল অহুমদা সনাগী মেদল ফংখি। মসিগী মনুংদা মহাকপু খ্বাইদগী কিহনখিবদি জেকোসলোভাকিয়াগী জোসেফ ওদলোজিলনি। অদুবু মহাক্না জোসেফ ওদলোকিলদগী সেকেন্দ অমগা মখায় হেন্না য়াঙনা লমথুংফম য়ৌবা হানখি। চহী ৮গী মমাঙদা মেলবোর্নদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপা নুমিৎকী মৈরা পায়দুনা মশীং য়াম্লবা থাক-থাক কাখৎতুনা অচৌবা মৈ কম্বী অদুদা মৈরা চুখৎখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী লমজেল্লোয় রোন ক্লার্ককী ৱারী ঐখোয়না খঙনরে। মহাক মতম অদুদা চহী নৌরি অদুবু জুনিয়রগী থাক্তা মাইল অমগী লমজেলদা মালেমগী রেকোর্দ থল্লিবা শান্নরোয় অমা ওইবা মরম্না মহাকপু গেমস অদুগী মৈরা চুখৎহনবগী ইকায়খুম্নবা অদু পীবিখবনি। মহাক্না টৌকিওদা চৎখিবা মতমদা মহাক্না সনাগী মেদল অহুম ফংলক্কনি হায়বগী আশা মালেম পূম্বনা খনখি। অদুবু মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়া মীয়ামগী অপাম্বা অদু থুংহনবা ঙমখিদে। মিটর ১০,০০০গী লমজেল অদুদা লমজেল্লোয় ৩৮ শরুক য়াখি। মদুদা হেক লমথাবগা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা রোন ক্লার্কনা মমাঙ থাদুনা চেল্লম্মী অদুবু মহাক্না অতৈ লমজেল্লোয়শিং অদুদগী য়াম্না হেন্না লাপ্পা চেনবদি ঙমদে, মখোয়না মহাকপুসু তান্নরকখি।

অরোইবগী রাউন্দদা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর ১০০ খক্তং রোম ৱাৎলিঙৈদা অমেরিকাগী বিল মিলনা মমাঙ থাদুনা কন্না য়াঙনা চেনখিদুনা টুনিসিয়াগী গাম্মাওদি অমসুং রোন ক্লার্কপু মথং মনাও নাইনা মায়থীবা পীখি। মকোক ওইখিবা অমেরিকাগী মিলিটরি ওফিসর অসি রেদ ইন্দিয়ন (SIOUX INDIAN) নি। রোন ক্লার্কনা মথংগী থৌরম মিটর ৫০০০গী লমজেলদা খরা হেন্না ফজনা চেনগে হায়না খন্দুনা মপূক্লিং চপ য়ুংনা লৈখি অদুবু হান্না মায়থীবা ফংখিবগী ফিরেপ লৌখি। মহাক লমজেল অসিদা ৯শুবা তাখি। অমেরিকাগী বোব স্কলনা মিনট ১৩ সেকেন্দ ৪৮দা মকোক ওইখি। রোন ক্লার্ককী অরোইবা টার্গেট (মীৎয়েংদি) মরাথন্দা শরুক য়াদুনা মেদল অমা ফংবনি। লমজেল অদুদা মহাক ৯শুবা তাখি। হৌখিবা রোম ওলিম্পিক (১৯৬০) কী মরাথন্দা মকোক ওইখিবা ইথোপিয়াগী অবেবে বিফিলানা মকোক ওইখি। ইথোপিয়াগী নিংথৌরেল হেল সেলেসিগী বোদিগার্দ ওইরিবা অবেবি বিফিলানা হন্দক্তি খোঙউপ উপ্তুনা লমজেল অসিদা শরুক য়াখিবদা অমুক হন্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমগা লোয়ননা মকোক ওইখি।

মতম অদুদা অমেরিকাগী রালফ বোষ্টৌন্না লোঙ জম্পকী হান্নগী ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি। মহাক্কী মমিংদা ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড রেকোর্দ ফুট ২৬ ইঞ্চি 11 ¼ (মিটর ৮.১২) দা লৈরম্মী। মখোয়গী মরক্তা গ্রেট বৃটেন মচা লায়ন দেভিস কৌবা অমা য়াওরম্মী। মহাক থৌরম অসিদা মকোক ওইগনি হায়বগী আশাদা লাকখিবা নত্তে অদুবু নুমিৎ অদুদদি মহাক্না মিটর ৮.০৭ চোংদুনা মকোক ওইখি। মিটর ৮.৩৪ চোংদুনা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা রালফ বোষ্টৌনবু মায়থীবা পীখি। বোষ্টৌন নুমিৎ অদুদা মিটর ৮.০৩দগী হেন্না চোংবা ঙমখিদে। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।